## শামু ১না শামু ১ চারি
### গ্রামারদি চুম্মেবু ‘অর্থ’ দি নোয় নপানি

‘এন ইলিফেন্ট ইটস এন ইলিফেন্ট’ হায়বা ৱাহৈ পরেং (সেন্টেন্স) সিবু গ্রামারদা হায়বদি গ্রামাটিকেলগী ওইনা কদাইদা, করিদা লাল্লিগে? সেন্টেন্স অসি গ্রামাটিকেল্লি লাল্লি হায়না এম এ (ইংলিস) দা ফর্স্ট ক্লাস ফর্স্টতগা পাস তৌদুনা গোল্ড মেদলিষ্ট ওইরকপা, ইংলিস লোলগী মতাংদা পুথোকপা থেসিসতগা দোক্টরেট দিগ্রী ফংলবা নৎত্রগনা মণিপুরগী ওইরো, মপানগীবু ওইরো শক্লাইরবা গ্রামারিয়ান অমসুং ইংলিস লোলগী খোর্জেং শুবশিংনগা হায়রকপা ঙমগদ্রা? থাজদে, চুন্না থাজদবদা নত্তে। কদাইদগী কনানা লাল্লি হায়রক্তোইনো? সেন্টেন্সসিদা মপূং ফাবা সেন্টেন্স (কমপ্লিট সেন্টেন্স) অমা ওইবগী তঙাইফদবা ‘পার্ট ওফ স্পিচ’ কী শরুকশিং য়াওরি। হায়বদি সবজেক্ট, ভর্ব, ওবজেক্ট শুনা য়াওরি। সেন্টেন্সসিদা য়াওরিবা সবজেক্ট অমসুং ওবজেক্ট ওইনা শীজিন্নরিবা নাউন অনীসিসু প্রোপর নাউন নৎত্রগা কম্মন নাউনগা হায়বা মখলশিংদুগী মনুং চঞ্জরবসু সবজেক্টসিগী মতুংদা লাকপা (ইন্নরকপা) ভর্বসু সবজেক্টসিনা ফর্স্ট, সেকেন্দ নৎত্রগা থর্দ পর্সন ওইব্রা-ওইদব্রা, সিঙ্গ্যুলর নৎত্রগা প্লুরেল ওইবা-ওইদবগী মতুংইন্নসু চুন্না শীজিন্নরি। ‘শামু অমনা শামু অমা চারি’ হায়বনি। সেন্টেন্সসিদবু গ্রামারগী ওইনা কম্মাই লান্দোইনো, লান্দে। শুক্লান লান্দে, চুম্মী। ফরেনে, সেন্টেন্সসিনা গ্রামাটিকেল্লি লান্দ্রবসু ‘অর্থ’ দি থোকপ্রা হায়বনি। ৱাহংসিগী পাউখুমদদি ‘গ্রামাটিকেল্লি করেক্ট বট নোট সেন্সিবল’ হায়দি ‘গ্রামারদি চুম্মে, ‘অর্থ’ (ৱাহন্থোক) দি নোয় নপানি’ হায়রক্লোইদবগী মরম লৈব্রা হায়বনিদা? য়ূমদা য়োকপা য়ূমশা ওইগেরা, লমদা লৈবা লমশা ওইগেরা মালেমসিদা লৈরিবা শা পূম্নমক্কী মনুংদা ‘শামু’ না খ্বাইদগী চাউবা শানি। ‘বিগেষ্ট এনিমেল’ ওইরিবনি। মসি ওইবগী মথক্তা শামুদি শা-ঙাসু চাদে। হায়দি পিওর ভেজিটেরিয়ননি। মসি ওইজরগসু মপাঙ্গল খ্বাইদগী কনবা শা ওইরিবনি। কম্মাইনা শামুনবু মহাক্কুম্বা অতোপ্পা শামু অমা চাদোইনো? গ্রামাটিকেল ষ্ট্রকচর চুম্মেনবু তাবা য়াদবা, অচুম্বসু নত্তবা, ওইসু ওইথোক্লোইদবা, সেন্সিবল ওইদবা ৱাফম; ৱাহৈ পরেং ঙাঙবা-শকপা তৌনদে। লাইরিক হৈগেরা-হৈরোইরা, ইংলিস লোল খঙগেরা-খঙলোইরা অসিগুম্বা ইংলিসকী সেন্টেন্সপু ঙাঙবা হৌনব্রো?

মস্বাইসি য়ৌরকপদা নীংশিংলকইসিদি ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা চৎনহল্লম্বা ‘ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম’ (এফ এম আর) চৎনহনখিদ্রে, স্ক্রেপ তৌখ্রে, বোর্দর ফেন্সিং হৌখ্রে হায়দুনা ফোঙদোকখিবদুগী মতাংদনি। কাউবা নাইবা মীওইবনি। লান্দবসু ঙমদে হায়নরিবনি। ‘অকাউপরৈ চনবা’ হায়বা’মসু লৈরিবনি। অদুবু ঙরাং-নহান্তা হায়রকপদগী ফোং-ফোং শারিবনিনা অকাউবগী ঈরোলনুংদা লুপখিদ্রি। নাকোংসিদা খোইনা ঙংবদৌনা ঙংদুনা লৈবদগী নীংশিংলক্তুনা চিনবান, চিনবান খক্তা নত্তনা খূৎ য়ৌরক্লে হায়বনি। অতৈসু য়াম্মী, ওন্থোক্লা য়াম্না লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরিবনি। শাংলনেনা এফ এম আরগা বোর্দর ফেন্সিং খক্তমক লৌখৎপগী ৱানি। নত্তে, চহী খরা চৎনহল্লম্লগা লৌথোক্তুনা চৎনহল্লক্ত্রবা এফ এম আরসিবু মণিপুরদা করম্বা পার্টিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মতমদনো? হৌখিবা কুমজা ২০১৮ অদুৱাইদগী চৎনহনখিবা ওইরবদি মতমদুদা ষ্টেটসিদা কনাগী লৈঙাক লৈখিবগে? ৱা লোইরে!! মসি ওইরদি মীয়াম্না ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট, মীতোপ, রিফ্যুজিগা হায়দুনা ফোঙদোক্নরকপা, এন আর সী চৎনহল্লুগা হায়রকপদগী ‘ঐখোয়গী মতমদগী চৎনহল্লকখিবা এফ এম আরদু লৌথোক্লে, চৎনহন্দ্রে’ হায়রক্কদবা নৎত্রা? এফ এম আর চৎনহনখিদবগী মতাংদবু গ্রামার লান্দে হায়দুনবু ‘শামু অমনা শামু অমা চারি’ হায়বগুম্না মথোং চাদবা ৱাহৈ পরেং হায়রকফম থোকপ্রা? স্বাইদা কোৎথোক্তুনা পনবিরিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদুবু খুদিগা থিরম্লোইদ্রা হায়বনি। ফরেনে, এফ এম আরগীসিবুদি ঙানি-ঈশিংনি হায়বা নাখৈ শেংলেনে। থাঙনা শীংকুপ শানা য়ানশিন্দুনা শিনিংচিৎতসু শোকহনবা অদুগা ফোৎচিন্দুনা লায়েংলে, ঈ কাপ্লে, করিসু তৌদ্রে হায়দুনা লৌথোক্লগা থন্নম্বা য়াদ্রবা অথাবা অমসুং অপাকপা মমায়শিংদু থাংদোক-থাংদোক্তুনা ঙাঙজ-শকচরকপনি। এফ এম আরগীসিনা ‘লাউদ এন্দ ক্লিয়র’ ওইরে, ‘ক্রিষ্টিএল ক্লিয়র’ ওইরে। মখোয়না চৎনহল্লম্বদো মখোয়না অমুক লৌথোক্লগা উতিন হাৎলগা শামুগন্দা হাৎলেনা কোইরাও লাওখি হায়বা অপঙবা লায়র মচাগী ফুঙ্গা ৱারীদা য়াওবদুগুম্বা ওইরম্লে। বোর্দর ফেন্সিংগীনা কমদৌবা? অতোপ্পা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগা তায়নবা ম্যান্মারগী ঙমখৈশিং লোইনা লামশিল্লগুমসি। শুপ্নতগী মণিপুরগা তায়নবদা খাবা হৌরক্লিবা শম্বলসিবু মণিপুরদা করম্বা পার্টিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মতমদনো? ঙমখৈদা শম্বল খাবগী মতাংদসু ‘এন ইলিফেন্ট ইটস এন ইলিফেন্ট’ হায়বা সেন্টেন্সকুম্না গ্রামারদি চুন্নগা ৱাহন্থোক্তনা চিন খাগা ফৈরেং-তুরেং চিংলক্কদবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লিবসিনা করিগী মওইরমগদগে? মণিপুরদা করম্বা লৈঙাক্কী মতমদা হৌখিবনো হায়বসিবু অশেঙবা খঙদোক্লবনেনা মরী লৈনবা রেকোর্দশিংগা ফাক্লুখিগদ্রা হায়বনি। নত্তেনে, মণিপুরগী মীয়ামসিবু শজিক চাবা, হায়নীং-ঙাঙনীংবা পঙহায়দা হায়রগা, পঙাঙদা ঙাঙলগা অচুম্বা-অশেঙবনেনা অদুম লৌজখিনি, লৈরিবা অখঙ-অহৈশিংনসু চেক-মোক লাউরক্লোই হায়দুনা তৌবা মানবা’মা শাগোন্নরক্লিবসি ফনদি কুইরে। হৌজিক ফাওবদা মশাগী অশোয়বা-অরানবা ফাওবা খঙজদ্রি হায়বনি। জাৎ-কুচু মান্নবা চাক্তামিন্নে হায়বদৌনা মৈগী চীংগী চীংমাইদা কায়দোংমিন্নরিবা মশেলনা নুংশিখ্রবা খোংজোম পর্ব্ব, মোইরাং পর্ব্ব নৎত্রগনা মহাভারত-রামায়নগী ৱারীদৌনা ওনশিন্নরগা ইশি-শিবমখৈ তাবদগী ঙাঙ-শকপা ওইরগদি মপান থোকহল্লক্কনু। সোশল মীদিয়াদা করিদা য়ৌহল্লক্কনু। অতাবা-অউবশিংগী মরক্তা তিল হৌবা, উ মোরোক তপ্তা খৈ চাশিল্লুবৈ পুক য়েকপগুম্বা মীওই য়াম্মী হায়বনি। মখা শুম শমথরক্লগা মশাগী অশেংবা মশক হেন্না ময়েক শেংহল্লক্কনি হায়বসু খঙজদবা মাল্লি। চুম্মীদহে, উ লৈতবা মফমদা কেগেনা য়ূম্বী ওই হায়বদুনি, দেল্লীগী লুচিংবনা মখূৎ শন্নগা ‘হৈনা খোঙথাং’ থাংহনবিরম্বনি, পিরাই ঙাকপীরম্বনি। হৌজিক্লা মখোয়না লংথোরকপদা কোয়লাস মথক্তা গাড়ীনা তকখায়রম্বা হঙোইদৌনা পুম্পাক পাক্লা শল্লগা তারে। অচুম্বা-অশেংবা অমত্তা ঙাঙলক্ত্রে। ‘এন ইলিফেন্ট ইটস এন ইলিফেন্ট’ হায়রক্লিবসি ওন্থোক্লা চুমখ্রেদা!!

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৯৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মিংথোল মিংকৌখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। শেলবী লমদা ৱাহায়না। কবোনা ৱাঙাংনবদি। খাংনা মোলবদি। য়িং ও মিংকৌয়ে। পাংকা লৈবাককী নিংথৌগী। খাংনা মোল। য়াইওইবা। তোংজেং ৱাকয়ে হিদা তোংনা। পুনা লোইনরকপদা। লোইবী চীঙ ককলেলনা। পুনা চেলনৈঙেদা। চকপা অংগো তুরেল ঈশিংদা তাখ্রে। মদাইরেম মনাই অথোইবা। খোঙবাল ঈশিং ঙাফাবা। য়াওরৌ শাদানবনা। য়িং মোলবু থীবদা ফংঙমখিয়ে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯹꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ꯁꯦꯜꯕꯤ ꯂꯝꯗ ꯋꯥꯍꯥꯌꯅ꯫ ꯀꯕꯣꯅ ꯋꯥꯉꯥꯡꯅꯕꯗꯤ꯫ ꯈꯥꯡꯅ ꯃꯣꯜꯕꯗꯤ꯫ ꯌꯤꯡ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯄꯥꯡꯀ ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ꯫ ꯈꯥꯡꯅ ꯃꯣꯜ꯫ ꯌꯥꯏꯑꯣꯏꯕ꯫ ꯇꯣꯡꯖꯦꯡ ꯋꯥꯀꯌꯦ ꯍꯤꯗ ꯇꯣꯡꯅ꯫ ꯄꯨꯅ ꯂꯣꯏꯅꯔꯀꯄꯗ꯫ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯆꯤꯡ ꯀꯀꯂꯦꯜꯂꯅ꯫ ꯄꯨꯅ ꯆꯦꯜꯅꯩꯉꯦꯗ꯫ ꯆꯛꯄ ꯑꯡꯒꯣ ꯇꯨꯔꯦꯜ ꯏꯁꯤꯡꯗ ꯇꯥꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯃꯅꯥꯏ ꯑꯊꯣꯏꯕ꯫ ꯈꯣꯡꯕꯥꯜ ꯏꯁꯤꯡ ꯉꯥꯐꯥꯕ꯫ ꯌꯥꯑꯣꯔꯧ ꯁꯥꯗꯥꯅꯕꯅ꯫ ꯌꯤꯡ ꯃꯣꯜꯕꯨ ꯊꯤꯕꯗ ꯐꯪꯉꯃꯈꯤꯌꯦ꯫ ●

# লায়রবা ঐখোয়সি মতমসিগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়েংবা ঙম্লকখিদ্রা?



মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরদা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়েংবগী থবকসি শেল অসুক্কী মতিক চঙবা হেনগৎলক্লি। ৱাফমসি মণিপুরগী মীচম-মীয়াম পূম্বনা ময়েক শেংনা খঙনরবা ৱাফম্নি। ঐখোয়সু খঙই ৱাফমসি অচুম্বনি হায়বসি। অমরোমদা, লমদমসিদা হৌজিক্কী মতমদা লন্নাইগী ওইনা লিংখৎনরক্লিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংসিগা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা হাংলিবা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংসিগা অনীসি চাংদম্নরুবদা অনা-লায়েংগীদা নত্তনা হোস্পিটালগা মরী লৈনবা হীরম কয়ামুক্তসু অসুক্কী মতিক খেন্নবশিং লৈ হায়বসি মীয়াম্না শোয়দনা খঙবা ঙমগনি। তরু-তনানবা অমদি হায়জিনিক ওইবা হোস্পিটাল অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা লায়েংবদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা অমসুং পেসেন্টশিংবু পেলহনবা ঙম্বা হোস্পিটাল অমনি হায়না মীয়াম্না লৌননবা লাক্লবদা অমদি ষ্টেন্দার্দ মেন্টেন তৌনবা হোৎনবগী থৌদৌশিংদা লন্নাইগী হোস্পিটালশিংনা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদগী অসুক্কী মতিক হেন্না ফৈ অমসুং মওং-মরীল তাবা হেল্লি। ফীভমশিংসি লৈবনা মতমসিগী ইরমদমসিগী ইমুং অয়াম্বনসু ঙম্বু ঙল্লবদি হায়দুনা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা লায়েংবগী মহুত্তা লন্নাই হোস্পিটালশিংদা লায়েংবনা অসুক্কী মতিক হেন্না পর্সেন্টেজ ৱাংনা পাম্নরক্লি। অদুম ওইনমক, হোস্পিটাল অনীমকসিদা য়েংবদা হীরম খুদিংমক্তা খেন্নবা লৈবগুম, লায়েংবদা চঙবা শেনফমশিংগী মতাংদসু লন্নাই অমদি লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অনীসিদা চঙবা লায়েংশেলশিং অসুক্কী মতিক চাউনা খেন্নরি। থৌদৌসি লৈবনা লন্নাই ওইনা লিংখৎপা হোস্পিটালশিংদা লায়েংবনা অনাবশিং ফবগী চাং চান্মদা চান্মমক হেল্লি হায়রগসু অমদি মণিপুরদা লৈরিবা লায়রবা মীয়ামসিনা ফনা য়াম্না লন্নাইগী ওইবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংজনীংলগসু শেল-থুমগী ফীভম ফত্তবা লমদমসিগী লায়রবা মীয়ামসিনা অনা-অয়েকশিং য়াওরকপদা মতৌ করম্না লন্নাইগী ওইবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংবা ঙম্নগদৌরিবনো? মুন্না খঞ্জিল্লুরগদি থৱায়সি অসুক্কী মতিক নুংঙাইত্রিবনি, লমদমসিদা লৈরিবা লায়রবা মীচম ঐখোয়সিনা নারক-য়েক্লকপা মতমদা ইরমদমসিদা হাংলিবা লন্নাইগী হোস্পিটালশিংসিদা লায়েংজবা হায়বসিবু করম্বা নুমিৎ-থাদা ফংলক্কদৌরিবনো?

ঙসিদি ইরমদম মণিপুরসিদা পাল্লিবা ষ্টেট লৈঙাকসিনা ওইগেরা নৎত্রগা সেন্টরদা পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাকসিনা ওইগেরা, ইরমদম মণিপুরসিগী মীচম-মীয়াম পূম্বগী অনা-লায়েংগীদমক মতিক চাবা শেনফমশিং তেংবাঙ ওইনা থাদবীরকফম থোকই। থৌদৌসি হৌজিক-হৌজিকমক অসুক্কী মতিক মথৌ তারিবনি। ঐখোয়গী ইরকসিদা কনাগুম্বা লায়রবা মীওইশিং খরনা চীফ মিনিষ্টরগী নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরগী লায়েংবগী কার্দশিং পায়নবসু য়াওনরি। হায়রিবা কার্দশিংসি শীজিন্নদুনা ইরমদমসিগী লায়রবা ইচিন-ইনাওশিংনা লৈঙাক্লা পীবিবা লায়রবশিংগী লায়েংশেলগী তেংবাঙশিংদু খরদংদা ওইরসু ফংজনবা হোৎনরি। অদুবু লাইবক থীবদি, ঐখোয়গী ইরমদমসিদদি অদুগুম্বা কার্দশিংদুসু শীজিন্নবা য়াইগা-য়াদেগা, চৎনৈগা-চৎনদেগা, লায়না মখল খায়দোকইগা-খায়দোক্তেগা ময়ামসিনা থোইনা হৈথোই-শিংথোইজদবা ইরমদমসিগী লায়রবা মীচমশিংসিগী মফমদদি হায়রিবা কার্দশিংসি শীজিন্নবদং হোৎনবদা মকোক্তা অচৌবা অৱা-পোৎলূম অমমম থোঙ্গৎপীবগা চপ মান্নরি। সিগীসু মথক্তা লন্নাই হোস্পিটালশিংদদি চৎনদে হায়রকপা কার্দশিংসু অদুম্মক য়াওরিবনি। ইরমদমসিগী মীচম-মীয়ামসি নারক্কনু হায়সু য়াবা নত্তে, লায়েংদি লায়েংজনীং, কার্দনা মরোল অমা চৎনৈগা-চৎনদেগা, ইশাগী শেল লৈজদুনা থোক-থোক পুথোক্তুনা লায়েংনি হায়সু নত্তা, ইরমদমসিগী লায়রবা ইচিন-ইনাও, ইচন-ইচে অমদি ইমা-ইচাশিং পূম্নমকসি তশেংনা ৱাবগী পনখৈদি থেংলবা জাৎনি। য়ারবদি ষ্টেট লৈঙাক্লবু ওইরো নৎত্রগা সেন্টর লৈঙাক্লবু ওইরো, ইরৈবাকসিগী ওইবা লায়রবা মীচমশিংদা তেংবাঙবীগে খনবীরবদি তেংবাঙবীগদৌরিবা হীরমশিংদু তশেংনা মওং-মরীল তানা অমদি নীংথিনা লায়থোকহল্লবা মওংগী প্রোসেসশিংদা মপূং ফানা তেংবাঙহন্নীংই। ফীভমসি নৎত্রবদি ইরমদমসিগী লায়রবা ইচিন-ইনাওশিং খুদিংমক্লা অনা-অয়েকশিং মায়োক্নরকপদা মখোয়বু লৈঙাক্লা নুংশিবীদুনা পাংবীরক্লিবা তেংবাঙশিংদু নিংথিনা মশক খঙজবগা লোয়ননা তুংদা কাউজদবা হায়বসিসু ওইথোক্লোইদৌরি।

হৌজিক্কী মতমসি লায়েংবদা শেল য়াম্না চাউনা-চাউনা চঙনরবা, অচৌ-অচৌবা লায়না মখল কয়ামুক্লা মালেমসিগী লৈমায়সিদা পীক চোনবা মখৈ শন্দোক্তুনা লৈরবা মতমনি। মশক-মমিং নীংথি-নুংঙাইনা খঙদবা, মওং-মরীল তাদবা লায়না-লায়ওং মখল ময়াম অমনসু ঙসিগী মালেমসিগী কাচিন-কোয়া খুদিংদা লাইচৎ ওইনা শন্দোক্লবগীদমক শেম-শাদুনা, ঙাইদুনা লৈরিবনি। ফীভমশিংসিদা মণিপুরগুম্বা চাওখৎপগী থাক অসুক্কী মতিক নেল্লিবা অমসুং শেল-থুমগী ফীভমদা অসুক্কী মতিক লৈপক্লরবা লায়রবা মীচমশিং ঙাক্তনা মশীং য়াম্না লৈরিবা লমদমসিদা লৈঙাক্লা অচৌবা মতেংশিং পাংবীবা নত্তনদি লন্নাইগী হোস্পিটালশিংদা লায়েংজবসু ঙমদবা লায়রবা মীচমশিংসিনা মতৌ করম্না হায়রিবা লায়নাশিংসিবু মায়োক্লগদৌরিবনো? ফীভমসিদা ইরমদমসিগী লায়রবা মীচম-মীয়াম ঐখোয়সি ষ্টেট নৎত্রগা সেন্ট্রেল লৈঙাক্লা লায়েংনবগীদমক পীবীবা শেলগী তেংবাঙ মখলশিংসি য়াওদ্রবদি মতৌ করম্না হিংবা ঙম্নগদৌরি? ফীভমসিমক নৎত্রবদি য়ামখ্রবা লায়না মখলশিংসিনা ইরমদমসিগী লায়রবা ঐখোয়সিবু নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনমক্কী হাৎখ্রগদবনি। লায়না-লায়েংগী লম্বীশিংদা লৈখা থেংবা মখৈ ঙক নোন্থজরিবা ঐখোয়সি হায়রিবা লায়নাশিংসিনা নমদুনা মায়থীবা পীরমগদৌরিবনি। থৌদৌসি মুন্না খন্থরুরগনি ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমসিদা ষ্টেট লৈঙাক অমদি সেন্ট্রেল লৈঙাক অনীগী অনা-লায়েংশিংগী মরমদা পীবা তেংবাঙশিংসি অসুক্কী মতিক মথৌ তাই হায়নরিবসি। ফীভমসিদা হায়না-হায়না মতমসিগী লন্নাইগী হোস্পিটালশিংদা লায়েংবদা চঙলিবা শেনফমশিংসিনা অসুক থীনা অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলক্লিবসিগী মরমশিং অমুক্তং কূপ্পা থিগৎমিন্নরগা খরদংদা ওইরসু শাফনবা হোৎনমিন্নবনা চুমগদ্রা হায়বসি ঙসিগী মীয়ামদা থমজনীংই।

হায়সু হায়বনি, লমদমসিদা হাংনরিবা শেল পায়বা ইচিন-ইনাওশিং কয়ামরুমগী লন্নাই হোস্পিটালশিংসিসু অয়াম্বনা লায়েংবদা চঙনরিবা শেনফমশিংগী চাংসিদি ইরমদমসিদা হিংজরিবা লায়রবা ইমুংশিংসিগী ফীভমশিংগা য়েংনরুবদা তশেংনা সমুদ্রগা লাঙ্খোংগা পাবগুম্বনি। অসিগুম্বা ফীভমশিংসিদা ইরমদমসিগী লায়রবশিংনা করিগুম্বা কান্দা নোংমতা ওইরসু লমদমসিগী লন্নাই হোস্পিটালশিংদা লায়েংনীংবা ফাওরকপা মতমদদি তশেংনা ৱাখলসিদা ফাওনরিবসি নুঙগা য়েরুমগা কাউনবমক্লি। পূন্সিদা অমুক্তসু অসুক শোন্থরবা ৱাখল্লোনশিংগী মমি তানরকত্রিবনি। থৌদৌসিদা লমদমসিগী লায়রবা মীচমশিংনা ফনা ফৈ হায়রগসু মখোয়না নারকপা মতমদা নোংমতা ওইরসু লন্নাইগী হোস্পিটালশিংসিদা চৎতুনা লায়েংজরুনবগী পান্দ্বেশিং লৈনদে। থৌদৌসিদবু লমদমসিদা চন্না হিংজরিবা লায়রবশিংগী মরাইবকসি খন্থরুবদা লায়রবা কনানা পেন্নরমগদৌরি? করিগুম্বা কান্দসু হায়নবদি তাই,...“লায়রবা মপান থাদে, ইনাকখুনবা মউ লীংদে” হায়না। অদুবু পীক্লবা ইরৈবাক-ইরমদম, চীংলোন মাপন্না কোয়শিল্লবা, শুপ্নগী তম্পাক্লম মচাসিদদি কদাইদনো লায়রবশিংনা মপান থাদ্রিবা, কদাইদনো ইনাক খুনবশিংনা মউ লিংদ্রিবা? চহী চাম্মা শুরক্কদৌরবা ফাওবদা ইরমদমসিগী লায়রবশিংনা ইনাক খুনগৎলকপগী ৱারীদি নোংমতসু তাদে। থোক্লম্বুদি য়াই অদুবু কদা-জিৎকী ৱাফম ওইরমগনি। অম’নি খক মপা চারুবনা লায়রবা পূম্নমক্কী মরায়বক্লি হায়বদুদি মতৌ করম্না হায়রুগনি? ইনাকোংসি পঙনি, পঙনা তাদ্রি। ইমিৎসিসু লোক্তাং তাঙনি, পঙনা উদ্রি। কান্নদে, ইরমদমসিগী লায়রবশিংসিগী লায়রবা কোকহন্নবা পান্বে লৈঙাক্তগী মুন্দুনা নমদুনা লৌফম থোকই। ইরমদমসিগী লায়রবশিংনা লায়েংবদা চঙবা শেনফমশিং খুদিংমক ইরমদমসিগী লৈঙাকশিংনা তেংবাঙবীগদনি। থৌদৌসিগীদমক অকনবা খোঙজংশিংসু চঙশিনসি। ইরমদমসিদগী লায়রবা হায়বা পোৎশকসি মরূ ফংনা অমুক্তং ফুক্তোক্তুনা লংথোকমিন্নখিসি।

ইরমদমসিদা লৈরিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী লায়েংশেলশিংনা মরোল অমা নোংম-নোংমগী ৱাংখৎলকপনে, ইরমদমসিগী লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংনা নোংম-নোংমগী পাঙশিল্লক্তবনে, লমদমসিদা শন্দোক্লক্লিবা শাথীরবা লায়নাশিংগী মশীংনা মিৎকুপ খুদিংগী ঈশিং ঈচাওগুম লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। অদুগা মায়কৈ অমরোমদনা, ইরমদমসিগী লায়রবশিংসু নোংম-নোংমগী লায়রবগী চাং অসুম-অসুম হেল্লক্লি অমসুং মশীংসু য়ামখৎলক্লি। ফীভমশিংসিদা ইরমদমসিগী লায়রবশিংনা কদাইদনো পুক্নীং লূম্না হিংদৌরিসি অমসুং অনা-অয়েকশিংগী মিপাইবা ফাওরোইদৌরিসি? ●

# ‘অচম্বা খূৎ নত্তে, কিরনজিৎকীসে!’
## (বাঁসি শাবগী অতোপ্পা খোন্থাং-৭)



শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

**ডা. লাইশ্রম ইমোবা**

পীক্তকপা ষ্টোল অমা ওইজরবসু পোখোক্লা মরাং কায়না পুথোক্তুনা উৎপা, য়োনবা ঙমখিদ্রবসু ত্রেদ ফ্যের অদুদা মহাক্কী ষ্টোল অদু মী কাঙখিবা, ইচং চঙবীখিদবা হায়বদুদি ওইখিদে। মদুমক মহাক্লা হারোই-হারোই থি-হুমদুনা মপান লৈবাক্কী মখল-মখলগী বাঁসিশিং শীজিন্নবা য়াবা থাক্তা মশক মওং মান্না শাদুনা পুথোকপা ঙমজবদুগী মহয়নি। ইন্দিয়া খক্তদগী নত্তনা ফোরেন্নর কয়ানা অঙকপা অমা ওইনা য়েংনখি। অসুম্না ইন্টরনেশনল ত্রেদ ফ্যের অদু য়াওরুবদগী কিরনজিৎকী পূক্লিং-ৱাখলদা মথুম-মরাং হৌবগা লোয়ননা অনৌবা মঙলান কয়া মঙজবা হৌরকখি। মতুংদা মদুগী ত্রেদ ফ্যের অদুদা নত্তনা থংনবা চহী খরদসু মহাক শরুক য়ারকখি।





মন্দলেদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট ত্রেদ ফ্যের ২০২৬তা শরুক য়াখিবা কিরনজিৎকী ষ্টোল

অচৌবা ঈপাক্কী ঙাগা অপীকপা ঈকোলগী ঙাগা ফাওবা খেন্নবা লৈ হায়বদু চুম্বজাৎনি। হৈজ-শিংজরগসু, ফনা য়াম্না থোইদোকপা পোৎলম পুথোক্তুনা শেম-শাবা হৈবা ওইরগসু খঙবী-উবীফম থোকপা মতিক চাবা মীওইশিংনা খঙবী উবীদ্রগদি, নারক্তা ঙানবা মণীগুম অরেম্বদা ঙাল্লি হায়বদুনি। মীতৈ অইবা, শৈরেংবা অমনা শৈথারম্বা লৈখিবদাইনে “চীংদা শাৎপী ইঙেল্লে, চিন্নদনা কেনখিবা কল্লকইদা...” হায়না। তশেংনা হায়বা য়াই, খূৎন্নাই-শিন্নাইবশিংগী মায়কৈসিদদি, পোইরৈ ইপনলম, সনা লৈবাকসিগী লাইগী ঙমথংমক্লি হায়বা য়াবা খূৎহৈ-শিনহৈবা কয়া অমা তাইবঙ কনা খঙবী-উবীদনা, মদোম ঙাল্লম্লগা, মদোম চিকমাঙনখিবা য়াওবজাৎনি, খঙবীদ্রবনিনা করম খোঙ্গুল লীরুগনি, লাইরৈবাক অসিদা!

নহা ওইরিবা কিরনজিৎ মপানগী তোঙান-তোঙানবা ঈশিং-নুংশিৎকী শহুম লাংলুরবা মতুং বাঁসি খোঙবা, প্রোফেস্নেল ম্যুজিসিয়ন অমদগী খজিক থৈদোরক্লগা শাবা-খোৎপগী লম্ অশোমদা তপ্না-তপ্না লৈখৎলকপসিনা মশাগী পিক্তক-চেংতকপা ইন্দষ্ট্রি ‘বি কে ফ্লুট ইন্দষ্ট্রি’ হায়বসি লীংদুনা রেজিষ্টর ফাওবা তৌরকখি। তোপ-তোপ্পা বাঁসি শাবগী অপীকপা তাইবঙ অমদা তাওথরকখি। তরং-মালংগী খূথাংদা শিনফমসিগী মরুপ-মপীজা কয়া অমগা শকখঙ-মায়খঙনরক্তুনা ষ্টেটসিগী ওইনা খূৎ-থেক্তুনা শীংথাবা য়াবা বাঁসি শাবা খূৎনাইবা অমা হায়বদো ওইরকখি।

কুইরবগী তুংদা নোংমা ফোন কোল অমা লাকখি। মহাকপু উনজনবগী মতম পীবিয়ু, মহাক্কী ফ্লুট ইন্দষ্ট্রি অদুদা লাক্কে হায়বা ওইরমখি। কিরনজিৎ ঙকখি। মদু মহাক্কী ওইনদি থাজবগী ৱাংমদা লৈবনি। মাগুম্বা অমদা মাঙজৌননা এপোইন্টমেন্টকা লৌরগা উনবা লাকচগে মতম পীবিয়ুকা হায়রক্কনি, মদুসু ভি আই পি মীতোপমচা অমনা। তৌবতবু মদুগী মমাঙদা ইথা থাজদবা ইন্দিয়াগী অমদি মপান লৈবাক্কী বাঁসিদা লুপচবা ফোরেন্নরনচিংবা ইন্সত্রুমেন্টেলিষ্ট খরবুদি লাকখিবা লৈখ্রে। তৌবতবু মদুম্না এপোইন্টমেন্টকা লৌরকখিবা নত্তে, ভি আই পিগুম্বদি নৎখিদে। মাগী নাইতোম তেক্লি-তেক্লি য়ূমদা শেমগৎচদুনা হোৎনরিবা ইন্দষ্ট্রি অদুদা মশক নাইবা মীওই অমা লাক্কনি, লাকউ হায়দোকখ্রবা মতুং করিবু তৌগদবনো হায়বসি হায়ফম তৌফম খঙদবা হায়বদুমদি ওইখি।

কোল তৌরক্লিবদু জ্যোতি প্রভাকর কৌই হায়না শক্তাক্লকখি। মতমদুদা মহাক ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী পি এস সর্ভিসতা জোইন্ট দিরেক্টর ওইনা লৈবনিসু হায়রকখি। মণিপুরদা বি জে পিগী ওইবা থবক থৌরম য়েংশিন খোঙচৎ অমগী লাকপনি। মতাং চারিঙৈসিদা কিরনজিৎকীদা লাক্তুনা মাগী য়ু এস এদা লৈখিবী মচানুপীদুগী বাঁসি খরসু লৈনীংই সি ওইরে।

মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ফগৎলক্লে হায়বসি মপী-মপা ওইবশিংনা তোয়না হায়বগী ৱানি। অদুবু ষ্টেট ফোর্স য়াওনা অতৈ সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অসি লম্বী-লমজাও, লম্মখাংদা মোংদুনা লৈরম্বদা কনামত্তনা পূন্সি অমদি লন-থুম অমাঙ-অতা থোক্লরোই, খুরৌ থাংলরোই হায়নদি কনামত্তা খন্নদে। অসুম্না মফম মতম হায়বা নাইদনা মশকশিং উরুবদতা থরক হুনগৎচবা ঐখোয়নি। অসিগুম্বা তানফমসিদা অয়ূক অমা সিফাই কাঙবু অমনা লাক্তুনা মখোয়গী লৈকায়দু পুমচাই-চাইররে। মরোল মরি ফাওনদবা সিফাইশিংদুনা কিরনজিৎখোয়গী থোঙ্গাল ককাদুদা করিগুম্বা অরুবা পোৎ অমা তাহৌরবগুম কোয়থি-থিবা মওংদা পুমচাই চাইদুনা লৈরখি। কোম্বিং ওপরেশন হায়দু শোয়দ্রমাল্লে খন্নখি। করিগীনো হংনরুবদসু মথোং মরম অমত্তা খঙনদে। তৌবতবু অচৎ-অওকশিংদা, লৈকায়মচাশিংদা অয়েৎ-অপন পীদুনা মখোয়গী হৌনবী ধমকা করি করা তৌবদি লৈতে। তৌবতবু চাওরাক্লা অখন্ননা কিরনজিৎকী য়ূম অদুবু পৌরপ-চাওরপ্লা কোয়শিন্দুনা লৈবগী কাইদানি। নহা মখোঙ য়াওবা হায়বদু ইমুংদুদা মহাক্তনিনা, লৈকায়না খন্নখিবসি অফ-নুংঙাইদি নত্তে ‘মানা কৈদৌরুরজাৎনো/মাবু কনা কনা তিন্নজাৎনোনে...” সিনি।

লৈকায়দুদা থোইদোকপা মশক নাইবা নৎত্রবা ফাওবদা মতমদুগী সিফাই-নুংফাইনা লৌখৎচবা পামজবা মীওই লৈ-খোৎলি হায়বগী মনা-মনিল নাইখিবা লৈতবনি, চিন-থোক্লদ্রবসু লৈকায় মচাশিং নিংদোল চোংনখিবজাৎনি। অদুগদি কার অমা কিরনজিৎখোয়গী থোঙ্গালদা খাল্লগা মখোয়গী য়ূম তম্না সিভিল দ্রেসতা মীতৈ মচাশিংদি নত্তবা মীওই খরা মরী-মরী চঙলকই। কিরনজিৎ উবদা নোক্লকই, চঙশিল্লক্তুনা খূৎ শোক্লখি। মহাক কনাসু অমত্তা ওইরমদ্রে জ্যোতি প্রভাকর ওইরম্লে। ●